# জে-ঈ-এমগী চীফ মাসুদ অঝারবু পুন্না ৱাহং পাউহং তৌমিন্নবগী ৱাফম পাকিস্থান্না য়াখিদ্রে

ইস্লামাবাদ, জন্যুৱারী ২৫ ঃ

পথানকোট এয়রবেজদা চথখিবা এটেক্তা চেন্নবনি হায়না চিংনবা জাইশ-ঈ-মহমদকী চীফ মাসুদ অঝার অমসুং অতৈ সস্পেক্টশিং পুন্না ৱাহং পাউহং চথমীন্নবা ইন্দিয়ানা হৌদোকখিবা ৱাফম পাকিস্থানন্না য়াখিদ্রে হায়না ওফিসল ছোর্সশিংনা ফোঙদোক্লি।

হৌখিবা জন্যুৱারী ২ দা টেররিষ্টশিংনা পথানকোট এয়রবেজদা এটেক চথখিবা মতুংদা পাকিস্থানগী ওথোরিটিশিংনা মাসুদ অঝারবু ফাজিল্লদুনা থমখি। তোঙান-তোঙানবা সীটিশিংদা চিংনবা মীওই কয়া ফাগৎখি অমসুং জে-ঈ-এমনা য়েংশিনবা মদ্রাসা (সেমিনারি) কয়া থিংজিনখি হায়না ঙসি পাউচে নেসনগী পাউ অমনা ফোঙদোক্লি।

অফঘানিষ্টানগী কান্ধারদা হাইজেক তৌদুনা পুখিবা ইন্দিয়ান এয়রলাইন্সকী পেসেঞ্জর ১৫৫ গা ওন্নদুনা কুমজা ১৯৯৯ দা ইন্দিয়াগী জেল অমদগী থাদোকখিবা অঝারবু পাকিস্থানগী ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ৱাহং পাউহং চথখি। জে-ঈ-এমগী চীফকী ময়াম্বা মুক্তি অব্দুল রেহমন রাউফসু ফাজিন্দুনা থমখি হায়না ওফিসলশিংনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক্তা পাকিস্থাননা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টগা খন্নদুনা থিজিন হুমজিনবগী অখন্নবা টিম অমা পথানকোটতা থারবা য়াই হায়রি।

পাকিস্থানদগীনি হায়না চিংনবা মখুৎতা খুৎলাই মতিক চানা পায়বা মিলিটেন্টশিংনা হৌখিবা জন্যুৱারী ২ দা পথানকোট এয়রবেজদা এটেক তৌখি। টেররিষ্ট এটেক অদুগা মরী লৈননা চথখিবা ইন্দিয়ান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী ওপরেসনশিংদা পুন্না টেররিষ্ট তরুক হাৎখিবগা লোয়নন্না সিক্যুরিটি পার্সনেল তরেৎসু শিখিবনি।



এয়রবেজ এটেক অদুনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থাননা হান্না লেপ্পখিবা দিপ্লোমেটিক্কী ৱারী শানবা অমা জন্যুৱারীগী অরোইবা ফাওবা য়ৈথোকখি। ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ফ্রান্সোৱা ওলোন্দনা ঙসি ফোঙদোকখিবা অমদা পথানকোট এটেক্তা চেন্নবশিংগী মথক্তা অচুম্বা তৌনবা ইন্দিয়ানা পাকিস্থানদা হায়খিবদু অচুম্বা থৌওং অমনি হায়খি। ওলোন্দনা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সনা টেররিজমগী মায়োক্তা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নদুনা লৈ।

ইন্দিয়ানা ইনভেষ্টিগেটরশিং থাদুনা মাসুদ অঝার অমসুং মহাক্কী ময়াম্ববু ৱাহং পাউহং চথবা পামখি অদুবু পাকিস্থাননা ন্যু দিল্লিগী ৱাফমদু ইচম চম্না ফজনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে হায়না সিনিয়র ওফিসল অমনা ইস্লামাবাদতা ফোঙদোকখি।

ইস্লামাবাদনা কেস অদু লুনা লৌবগা লোয়নন্না নিয়ম চুম্না থিজিল্লি অমসুং মদুদা মরাল লৈবশিং য়াওরল্লবদি চিংনবা লৈতনা এক্সন লৌখৎকনি হায়না পাকিস্থাননা ইন্দিয়াদা থাজবা পীখ্রে হায়না ওফিসল অদুনা হায়খি।

ইন্দিয়ানা ঐখোয়দা মাসুদ অঝার অমসুং হাফিজ সায়ীদপু মখোয়দা শিন্ননবা হায়রকখি। মদুবু ঐখোয়না ৱাফম অসিদা হঞ্জিন হঞ্জিন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। ইন্দিয়ানা শুপ্পগী সস্পেক্টশিংবু ইন্টেরোগেসন তৌবা য়াহল্লু হায়রকখিবদা ঐখোয়না মদু ওইথোক্তবা অমনি হায়খ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না, এটেক্করশিংনা শীজিন্নখিবনি হায়না ইন্দিয়ানা পীরকখিবা সেল নম্বরশিং অদু রেজিষ্টর তৌদবা নম্বরশিং ওইরম্লে, অদুনা পাকিস্থানদা লংলা-লংজিন ফংবা ঙমদে।


ইন্দিয়ানা পীরকপা মচাকশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা পাকিস্থানগী লৈহাওদা এটেক অদুগী শরৌ শিনখিব্রা হায়বদু খঙদোক্নবা পাকিস্থাননা কন্না হোৎনদুনা লাক্লি হায়না মহাক্না হায়খি। টেররিষ্টশিংনা এয়রবেজগী এটেক্তু চথখিবগী পান্দমদি হন্দক্তা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানগী মরক্তা হৌখিবা পিছ প্রোসেস মায় পাকহন্দনবা হোৎনবনি হায়না দিফেন্স এনালিষ্ট থবক্তগী পোথারবা অখা হুসাইন অহমদনা ফোঙদোকখি।

পাকিস্থাননা ইন্দিয়াদা হিরম অসিগী মতাংদা মপুং ফাবা কোওপরেসন পীগনি হায়না থাজবা পীখিবগা লোয়নন্না পাকিস্থান মচাশিং চেন্নবগী প্রুফ অমসুং ইভিদেন্সশিং লৈরবদি ঐখোয়দা পীরক্তুনা মখা তাবা এক্সন লৌখৎপা য়ানবা ইন্দিয়াদা হায়খ্রে। ঐখোয়গী সিটিজনশিংগী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন তৌবা তারবদি মদু পাকিস্থানদা পাঙথোক্কদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। দিফেন্স এনালিষ্ট মহমদ খানন্না হায়খি মদুদি ইন্দিয়াগী পথানকোট এয়রবেজদা চথখিবা এটেক্তু কনাগী খুৎনো হায়বদু খঙদোক্কবা লৈবাক অনীনা য়েংশিনবা চঙই।

# ইস্লামিক ষ্টেটনা ভিদিওগী খুত্থাংদা মালেসিয়াদা এটেক তৌরগনি হায়না কিহনখ্রে

কুলা লম্পুর, জন্যুৱারী ২৫ ঃ

মালেসিয়া গভর্ণমেন্টনা আই এস আই এসকী সপোর্টরশিংবু ফা-পুনবগীদমক্তা মুস্লিমশিংনা মশীং হেন্না লৈবা লৈবাক অসিদা এটেক কয়া চথরগনি হায়না ইস্লামিক ষ্টেটকী রিজনেল ৱিংনা থাদোরকপা অনৌবা ভিদিও অমনা চেকশিন-ৱা পীখ্রে।




ইস্লামিক ষ্টেট অসি লৈবাক অসিদা থাঙ্গৈশেংবা থ্রেট অমনি হায়না আই এস আই এসকী রিজনেল ৱিংনা থাদোরকপা ভিদিও অমা য়েংলবা মতুংদা মালেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নজিব রাজকনা ফোঙদোকখি। ভিদিও অদুদা মালেসিয়ন ওথোরিটিনা গ্রুপ অদুগী সপোর্টরশিং ফাবগীদমক্তা লৈবাক অসিদা এটেক কয়া চথরগনি হায়না চেকশিন-ৱা পীখিবনি।

পুলিসনা হায়খি মদুদি, আই এস আই এসকী লোগোগী মখাদা ৱা ঙাঙখিবা লালহৌবা গ্রুপ কাটিবা নুসান্টারাগী ওপরেটিভ কয়া উৎখিবা ভিদিও অদু য়াম্না মরু ওই মরমদি মসি ইস্লামিক ষ্টেটনা মালয়দা অহানবা ওইনা থারকপনি।

মসিগী থ্রেট অসি তশেং-তশেংবা অমনি অমসুং ঐহাক্কী গভর্ণমেন্টনা মসিবু য়াম্না হকচিন্না লৌই হায়না এক্সট্রিমিজমগী মরমদা পাঙথোকপা কনফরেন্স অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নজীবনা হায়খি। মসিগী শীংনবা অসি ঐখোয়না মালেম শিন-থুংনা মায়োক্নরিবা অমনি। মালেসিয়াদা অসিগুম্বা খুদোংথীবা লাক্লিবা অসিদা ঐখোয় থৌশাদনা লৈথোকপা য়ারোই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নজিবনা মখা তাখি।

ঙরাং পুলিসকী পাউ অমনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা এটেক কয়া পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌরম্বা আই এস আই এস সেলগী মেম্বর তরেৎ ফারে হায়না ফোঙদোকখি। পুলিসনা মিলিটেন্টশিংদু ফাবা মতমদা নোংমৈ মরুশিং, জিহাদকী মরমদা ইবা লাইরিকশিং, আই এসকী ফীরালশিং অমসুং প্রোপেগন্দা ভিদিওশিং লোইনরমখি। নুমিৎ তরানিগী মমাঙদা কুলা লম্পুরদা সুইসাইদ এটেক অমা চথনবা থৌরাং তৌরম্বনি হায়না চিংনবা মিলিটেন্ট অমা মালেসিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফাগৎখি। আই এস আই এস য়াওননবা সিরিয়াদা চঙশিন্নবা হোৎনরম্বা মালেসিয়ন অহুমসু জন্যুৱারী থা অসিদা ফাখি হায়না নজিবনা ফোঙদোকখি।

আই এস আই এসকী শৌগৎপশিংবু ফাবা-পুনবনচিংবা তৌবগী মায়োক্তা মালেসিয়ন ওথোরিটিশিংদা ৱার্নিং তৌবা ওনলাইনদা থাদোরকপা ভিদিও অদুগী মরমদা পুলিসকী কাউন্টর-টেররিজম য়ুনিটকী দিরেক্টর অয়োব খান মাইদিনপিটচিনা হায়খি, পুলিসনা ফাবা-পুনবগী থবক লেপ্তুবা অমসুং ফাদুনা থল্লিবশিংবু খুদক্তা থাদোক্তবা তারবদি এটেক অমা চথরগনি হায়না মখোয়না কিহল্লক্লে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মিলিটেন্টশিং মওং তানা ওর্গনাইজ তৌরক্লে হায়বসি ভিদিও অদুনা উৎলি। হান্নদি মখোয় আই এসকা হকথেংনন্না মরী লৈনরমদবা য়াই, অদুবু হৌজিক্তি মখোয় হকথেংনন্না মরী লৈনবদগী মখোয়গী ভিদিওশিংদা আই এসকী লোগো শীজিন্নরক্লে হায়না কাউন্টর টেররিজম য়ুনিটকী দিরেক্টরনা মখা তাখি।

ভিদিও অদুবু থাদোরক্লিবা লালহৌবা নেটৱার্ক কাটিবা নুসান্টারা অসি জন্যুৱারীগী অঙনবা শরুক্তা জকার্টাদা চথখিবা বোম্বিং এটেকশিং অদুগী মাষ্টরমাইন্দনি হায়না লাউথোকখিবা বাহরুন নাইমনা লুচিংই হায়রি।

ইন্দোনেসিয়াগী পুলিসকী মতুং ইন্না, সিরিয়াদা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটকী দি ফেক্তো কেপিটেল রাকাদা লৈদুনা নাইমনা থবক থৌরমশিং পাঙথোকই অমসুং রাকাদাগী য়াথং তাওথদুনা মালেসিয়াদা লৈরিবা আই এস আই এসকী রিজনেল ৱিং অদুবু মহাক্না শিন-লাংই। নখোয়না ঐখোয়বু ফাবা তারবদি, ঐখোয়গী মশীং হেনগৎলক্কনি, অদুগা ঐখোয়দা অয়েৎপা অপনবা অমত্তা পীদবা তারবদি ঐখোয় খালিফাগী লৈঙাক হঞ্জিনহনবা হায়বা ঐখোয়গী পন্থুং অদুদা নকশিল্লগনি হায়না ভিদিও অদুগী মেসেজ অমনা ফোঙদোকখি হায়রি।

ইস্লমিক ষ্টেটকী লালহৌবশিংনা রিজনেল লিদরগী ফম মুন্নবনা মরম ওইদুনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা গ্রুপ অসিগী খোঙফম হৌজিক চেৎপা ৱাৎলি হায়না সিক্যুরিটি এক্সপার্টশিংনা থাজে।

# কেম্মরুনগী কৈথেলদা এটেকশিং চথদুনা মীওই ২৫ হাৎখ্রে

বোদো, জন্যুৱারী ২৫ঃ

ঙসি কেম্মরুনগী অৱাংথংবা লমদমদা লৈবা খুঙ্গং অমদা সুইসাইদ বোম্মরশিংনা মীওই ২৫ হাৎখ্রে হায়না লোকেল ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট গ্রুপ বোকো হরামনা চথবা হাৎন-শুনবগী ঈরাং কয়ানা চৈথেং পীরবা লমদম অমদা হন্দক পরিং নাইনা চথরকখিবা এটেকশিংগী মনুংদা ঙসিগী এটেকশিং অদু খ্বাইদগী শাথিবা এটেকশিং ওইরি।

সুইসাইদ বোম্মর অনীনা বোদো খুলগী সেন্ট্রল মার্কেটতা এটেক তৌখি অমসুং অতৈ সুইসাইদ বোম্মরশিং অদুনা টাউন অসিগী চঙফম গেটশিং অমসুং থোকফমশিংদা এটেক তৌখি হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

ঙসি অয়ুক বোদো খুলদা সুইসাইদ বোম্বিং এটেক মরি চথখি। এটেকশিং অদুদা মীওই ২৫ রোম শিখ্রে অমসুং মীওই কয়া অশোক-অপন নংখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি। এটেক অদু কনানা চথরকখিবনো হায়বদু খুদক্কী ওইনা মায়কৈ অমত্তদগী ক্লেম তৌরকখিদে।

নোর্থ ইষ্টর্ন নাইজেরিয়াদা তোঙানবা ষ্টেট অমা শেম্নবা খুৎলাই পায়দুনা চহী তরুক খোঙজং চঙশিল্লকখিবা বোকো হরামবু মায়থীবা পীননবা শেম্বা লাম্মী ৮,৭০০ য়াওবা অরিংবা রিজনেল ফোর্স অমদা কেম্মরুনিয়ন ত্রুপশিংসু মশীং য়াম্না য়াওরিবনি।

হৌখিবা চহী অমরোমসিদা বোকো হরামনা কেম্মরুন, চাদ অমসুং নিগর য়াওনা নাইজেরিয়াগী মদনেদা এটেক চথবা হেনগৎলকখি।

বোদো টাউনবু টার্গেট তৌদুনা বোম্মিং এটেকশিং চথবসি ঙসিগী এটেকশিং অদুনা অহানবা নত্তে। হৌখিবা দিসেম্বরগী অরোইবা শরুক্তা নুপী বোম্মর অনীনা টাউন অসিগী চঙফমদা সুইসাইদ এটেকশিং চথখি।

বোম্মরশিংদুনা কৈথেলদা চঙনবা হোৎনরকপদা লোকেল মীওইশিংনা থিংখি। এটেক অদুদা কনামত্তা অশোক-অপন নংখিদে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা জন্যুৱারী ১৩ দা কেম্মরুনগী অৱাংথংবা কৌয়াপেদা লৈবা মোস্ক অমদা চথখিবা এটেক অমদা সুইসাইদ বোম্মর অমনা মীওই ১২ হাৎখি অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই অমা অশোক-অপন নংহনখি।

বোকো হরাম তকখাইনবা শেমখিবা রিজনেল ওফেন্সিভ ফোর্স অদুদা চাদ, কেম্মরুন, নিগর অমসুং নাইজেরিয়া অঙম-অঙম্বা ত্রুপশিং কনত্রিব্যুট তৌরি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনসু রিজনেল ফোর্সতা মতেং পাংলদুনা মিলিটরি সপ্লাইজ অমসুং ত্রুপশিং থারিবনি হায়রি।

# লাওজতা বোম পোকখায়বদা চাইনিজ অনী শিখ্রে

বৈজিং, জন্যুৱারী ২৫ ঃ

লাওজতা ঙরাং থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা চাইনিজ মচা অনী শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা চাইনিজ নেসনেল অমনা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না চাইনাগী ষ্টেট মিদিয়ানা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

চাইনাগী মপান্দা থোকপা চাইনিজ সিটিজনশিং হাৎখিবা খ্বাইদগী নৌবা থৌদোক্তি ঙরাং থোকখিবা অসিনি হায়রি।

লাওজদা লৈবা চাইনাগী এম্বেসিনা ঙরাং অয়ুক থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু অচুম্বনি হায়না কনফর্ম তৌখ্রে। থৌদোক অদুগী ভিক্টিমশিং অদু জাইসোমবৌন প্রোভিন্সকী চীংগী লম্বীদা ভেহিকল অমদা তোংদুনা চৎখিবনি হায়না ওফিসল জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক থোকফমদা লাওজদগী মিলিটরিগী মীওইশিং চঙশিনখি অমসুং অহৌবগী মমিং ওইনা ঝৌ কৌবা মীওই অমা কেপিটেল ভিয়েন্সীয়নদা লৈবা হেস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি হায়না জিনহুৱানা ফোঙদোকখি।

চাইনিজ এম্বেসিগী ওফিসলশিংনা অশোকপা মীওই অদুগী মনাক্তা চৎখি অমসুং বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুগী মতাংদা অথুবা ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোক্নবা দিমান্দ তৌখি।

চাইনিজ ভিক্টিমশিংদুগী মনুংদা অমদি চাইনাগী খাথংবা শরুক্তা লৈবা য়ুন্নান প্রোভিন্সতা বেজ তৌবা মাইনিং কম্পেনি অমগী ইমপ্লোয়ী অমনি হায়না চাইনাগী ওফিসল ন্যুজ এজেন্সীনা হায়খি। জিনহুৱানা অকুপ্পা মরোলদি ফোঙদোকখিদে অমসুং মীওইশিং অদুদা টার্গেট তৌদুনা বোম্মিং এটেক চথখিব্রা হায়বসি নাখৈ শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

পনবা য়াবদি, মনুং হঞ্জিন্না লৈবা জাইসোমবৌন রিজনদা চহী কয়ামুক গভর্ণমেন্ট অমসুং ইথনিক হমোং মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা অমু-মুক খুৎ থোক্নদুনা লাকপনি হায়রি।

# বাংলাদেশকী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর খালেদা জিয়াগী মথক্তা লৈবাক ঈরাং থোকহন্নবা শিনবগী মরাল শীদুনা কেস থাঙ্গৎখ্রে

ধাকা, জন্যুৱারী ২৫ঃ

কুমজা ১৯৭১ দা পাকিস্থানগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা নিংতম্বগী লালদা মথ্বায় থাখিবশিংবু অরানবা কয়া হায়জিন্দুনা হুন্দুনা ঙাঙখিবগীদমক্তা বাংলাদেশকী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং ওপোজিসন লিদর খালেদা জিয়াগী মথক্তা গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা ঈরাং থোকহন্নবা শিনবগী মরালদা ঙসি কেস অমা থাঙ্গৎখ্রে।



ঙসি অয়ুক ধাকাদা লৈবা চীফ মেট্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টতা বেগম খালেদা জিয়াবু ফাবীনবা হায়জবা ৱারোলগা লোয়নন্না কেস অদু ফাইল তৌরে হায়না কোর্টকী ওফিসল অমনা পি টি আইদা ফোঙদোকখি।

মেজিষ্ট্রেট অদুনা খালেদা জিয়াবু ফাবীনবা হায়জরকখিবা ৱারোল অদুগী মতাংদা হিয়ারিং চথনবা ওর্দর তৌখি।

হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ২১ দা খন্ন-নৈনবা অমদা শরুক য়ারদুনা ৱা ঙাঙখিবা মশাগী চহী ৭০ শুরবা খালেদা জিয়ানা কুমজা ১৯৭১ গী বাংলাদেশকী নিংতম লালদা শিখিবশিংগী মশীংগী মতাংদা চিংনবা ফোঙদোকখি।

নিংতম্বগী লাল অদুদা মীওই কয়া মথ্বায় থাখিবগে হায়বগী মরমদা চয়েৎনবা ৱাফম অমা লৈ। অদুগুম্বা চয়েৎনবা ৱাফমশিং অদুগী মরমদা ইবা লাইরিক অমসুং দোক্যুমেন্ট কয়া লৈ হায়না মহাক্না খন্ন-নৈনবা অদুদা ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

খালেদা জিয়াগী বাংলাদেশ নেসনেল পার্টি (বি এন পি) অসি বাংলাদেশনা পাকিস্থানদগী নিংখা তম্বগী ৱাফমদা য়াখিদবা লাইনিং লাইশোলদা কা হেন্না থাজবা থম্বা জামাট-ঈ-ইস্লামিগী মরু ওইবা মীচং অমনি।

হৌজিক লৈঙাক্কী থৌদা পুরিবা অৱামি লিগ, ১৯৭১ গী নিংতম লালদা শরুক য়াখিবশিং (ভেটরান্স) অমসুং লাল অদুদা মথ্বায় থাখিবশিংগী ইমুংশিংনা খালেদা জিয়াগী ৱারোলশিং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি অমসুং মখোয় খরদি মহাকপু পাকিস্থানগী এজেন্টনি হায়না ফাওবা ফোঙদোকখি।

বাংলাদেশকী হোম মিনিষ্ট্রিনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অদুগী মথক্তা গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা ঈরাং থোকহন্নবা ৱাঙাঙ-শাঙাঙ কয়া ঙাঙবগী মরালদা কেস অমা থাঙ্গৎনবগী অয়াবা পীখিবা মতুং নোংমা লৈরগা ঙসিগী খোঙথাং অসি লাকখিবনি।

হৌখিবা দিসেম্বর ২৭ তা সুপ্রিম কোর্টকী লোয়র মমতাজ উদ্দিন অহমদ মেহেদিনা খালেদা জিয়াবু বাংলাদেশকী পেনাল কোদকী সেক্সন ১২৩ (এ)গী মখাদা মীয়াম্বু গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা ঈরাং হৌহন্নবা শিনবগী মরালদা (সিদিসন) কোর্টতা ৱায়েল চত্থনবা ৱাকৎখিবনি।

মহাক্কী ৱাকৎ অদুদা মমটাজ উদ্দিনন্না মরৈবাকপু নীংজবা বাংলাদেশ মচা অমা ওইনা জিয়াগী ৱারোলশিং অদুনা মঙোন্দা চৈনা পীরে অমসুং সিটিজন অমা ওইনা মঙোন্দা কেস অদু থাঙ্গৎনবগী রাইট লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

কোর্টতা ৱাকৎতু থাঙ্গৎলকখিবা মতমদা চীফ মেট্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেটনা জিয়াগী মথক্তা শীরিবা মরালদুগী মতাংদা পুলিসতা থিজিন্নবা ওর্দর তৌখি অমসুং পিটিস্নর মমটাজ মেহেদিদা লোগী তঙাই ফদবগী মতুং ইন্না সিদিসনগী কেসতু থাবগী অয়াবা অমা গভর্ণমেন্টদগী লৌননবা হায়খি।

# নাইজেরিয়াদা খুৎলাই পায়বশিংনা লৌমী ১৯, পুলিসমেন ১ হাৎখ্রে

কানো, জন্যুৱারী ২৫ ঃ

নাইজেরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা অদামাৱা ষ্টেটতা লৈবা লৌউ-শিংউবগী থবক তৌবা কাঙলুপ মরিদা ফুলানি কাঙলুপকী শা শেনবশিংনি হায়না চিংনবা খুৎলাই পায়বশিংনা এটেক তৌদুনা মীচম ১৯ অমসুং পুলিসমেন অমা হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ফুলানি হর্দসমেনশিংদুনা গিটর দিষ্ট্রিক্টতা এটেক চথরকখিবা অদুদা মীচম ১৯ অমসুং ঐখোয়গী দিভিজনেল পুলিস ওফিসার (দি পি ও) শিখি হায়না পুলিসকী স্পোক্সমেন ওথমন অবুবাকরনা এফ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

লৌমীগী কম্যুনিটি মরি অদুদা খুৎলাই মতিক চানা পায়বা শা-শেনবা ফালুনি কাঙলুপকী মীওইশিংনা এটেক তৌরে হায়বা পাউ অমা ফংবগা লোয়নন্না মফম অদুবু পুরিবা সিনিয়র পুলিস ওফিসর অদুনা মহাক্কী টিমগা লোয়নন্না ফীভম লাকশিন্নবা হোৎনখি হায়না অবুবাকরনা ফোঙদোকখি।

লোকেল মিদিয়া রিপোর্টশিংনদি ঙরাং অয়ুক চথখিবা এটেকশিং অদুদা শিখিবা মীশিংগী মশীং পুলিস ওফিসরদু থারগা ৩০নি হায়না হায়খি।

মমাঙদা ফার্মগী মহৈ-মরোংশিং মাঙহন-তাকহল্লম্বগী ৱাহৌ অমদা শা-শেনবা খরা অমসুং লৌমীশিংগী মরক্তা নিংঙাই-শংদান্নবা লৈখিবগা লোয়নন্না শা-শেনবশিংদুনা দেমসারে, ৱুনামোকো, দিকজোম অমসুং টাবৌঙ্গো খুঙ্গংশিংদা রেইদ তৌখিবনি হায়না অবুবাকরনা ফোঙদোকখি। খুঙ্গংশিং অদু ষ্টেট কেপিটেল য়োলাদগী কিলোমিটর ২০ লোম ফাদবা গিটর ম্যুনিসিপালিটিগী মনুং চন্না লৈবনি হায়রি।

/ ইস্খোল য়োঙ্গরি

সঙাইপ্রৌ মমাঙ লৈকায় ইস্কোন স্কুল মনাক্তা ০.১৩ পাক চাওবা ইস্খোল অমা অথুবা মতমদা য়োঙ্গরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক নম্বর অসিদা ফোন তৌবীরকউ।

HL-P/1196/26 Contact - 9089964117

Phicomm Mobiles which was available only at ONLINE STORES, now available at the market.

PHICOMM
(( YOUR PORTAL TO SMART LIFE ))

Launching
Phicomm Clue 630



4G Roaming Support
Speed up with the latest 4G LTE
Support Dual Micro SIM.
Support Mobile Data Service While Calling On The Phone.

* Android 5.1(LOLLIPOP)
* Ultra Compact, Ultra slim
* 5" FWVGA Display
* Qualcomm Quad-Core, Snapdragon Processor
* 5MP FF + 2MP
* 1GB DDR3 RAM+8GB ROM (Expandable to 64GB)

Only at Rs. 5699/-

HL-B/2895/13/01-12/02

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN - FOUNDATION COURSE FOR CLASS I to X (Starts on 7th January 2016)

BOARDING FOR CATHOLIC SCHOOLS, HERITAGE, IBOTONSANA, T.G., REGULAR, IPS, STANDARD ROBERT, ETC.

FACULTY : RESOURCE PERSONS & FORMER HEAD - EXAMINERS
Time : 4.30 p.m. to 7.30 p.m.



TOPPERS '2013
1st Position MIRANDA M. | 3rd Position RATIMANJURI | 5th Position MIRANDA | 6th Position SYDENY TH. | 14th Position VIVEK A. | 15th Position REMA NAOREM | 16th Position SADA SALAM | 16th Position CHITRA KH. | 22nd Position BIDYALUXMI | 24th Position JAYALUXMI | 24th Position PRESCILA RK.

TOPPERS '2014
3rd Position LUHIYA NG. | 6th Position NEERA S. | 9th Position KHONEESH N. | 9th Position HARISON Y. | 12th Position KAILASH KUMAR N. | 13th Position L. DENILSON | 16th Position KH. PRAVIN | 18th Position BONNIE W. | 20th Position KELVIN M. | 21st Position MALEMNGANBA | 23rd Position INDERKUMAR

TOPPERS '2015
2nd Position G. Gopal Krishna | 3rd Position Ng. Victoria | 4th Position S.Shivaranjani | 7th Position RK. Babysana | 9th Position Ksh. Monica | 11th Position Thangminlal H. | 20th Position Bilson Oinam | 21st Position Gita E. | 21st Position S. Saya Devi | 22nd Position N. Nonibala | 23rd Position Jasmine H.

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
ALL CLASSES ARE STRICTLY MONITORED BY CCTV

:-9856988840 / 9863265726
9863222153

HL-B/2893/12/01-10/03(Alt)
HL-B/2915/22/01-6/02

PUBLIC SCHOOL
NINGTHOUKHONG

ADMISSION OPEN FOR THE SESSION - 2016
( NURSERY TO X)

- Imparting Advance Education From Experienced, Dedicated & Dynamic Teachers
- Extreme Focus on National & International Level Competitions.
- Based on High Moral Discipline to achieve "leading by Example"
- Strong Ambition to "Impart Quality Education For a better Society"
- Brainobrain International is Introduced for children's Brain Skill Development
- Standard BOARDING Facilities for Boys & Girls (Class III-X)

Classes commencing from 28th January, 2016

Seats are limited

For detials pliz contact : 09856477527, 8415839030, 9856835356